থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# নুপী কোয়বা...

‘নুপী কোয়বা’ হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা অসিগী ৱাহন, ইংলিসতা করম পীগনি? ঐখোয়গী লোল অসিদদি তত্তনা শীজিন্নরবা ৱাহৈ-জুরা অমনি। ‘ফোল্লিং-ইন-লব’- ‘নুংশিনবা’ হায়বা ৱাহৈসিগদি খেন্নগনি। মান্নরোই। ‘নুপা কোয়বা’ হায়বা ৱাহৈসিদি শীজিন্ননদে। নুপামচা, পাখং অমগা লৈশাবী অমগা ‘কোয়নরে’ হায়বা ৱাহায় অসিবুদি তোয়না তানরবা ৱাহায় অমনি। ‘মখোয় অনী পৎ-তৎনা-নুংশিনরে’ হায়বা ৱাহায় অসিগা ৱাহন্থোক মান্নদে। চেজিং এ গর্ল/ৱিমেন-হায়গদ্রা? মদুমকপু নত্তে। মশানা য়াদবা নুপী অমদা নুংশিবগী প্রোপোজেল অমা থাঙ্গৎখ্রগা, মহাকপু য়ানবা থেন্বগী থৌওং অদুদদি হাইফেৎ চানবরা? অদুবু, মশানা য়াদবা নুপী অমবু থেম-নৌবগী এপ্রোচ অদুবুদি নুপী-কোয়বা হায়নদে। মশা-মশা য়ানবা অমা চঙলি। মালেম শীন্না খঙনরবা/তানরবা নুংশি ৱারী হীর-রানঝা, রোমিও-জুলিয়েৎ, খম্বা-থোইবীগী ৱারীনচিংবদু অশেঙবা ‘নুংশি-ৱারী’নি। অদুগুম্বা ৱারীদু নুপা-নুপী-অনী-কোয়নবা হায়বা রিলেসন্সিপ মখলদুগী মনুং চল্লোই।

ৱারেংসিগী ৱাহৌদোক ওইনা ইজরিবা খরসি পাবা/তাবা নুংঙাইবীদবরা? ঐ খঙই- পূক্লিংদা ফাওবীরমগনি... ওন্থোকপা হীরম অমবু ইননবা সবজেক্ট অমা ওইনা লৌখৎলকইদা! শেরান্ননা খন্নগুমসি। মমাংঙৈ ইখিবা ৱারী মচা অমখক ইংলিস লোলদা হন্দোক্কে হোৎনরুঙৈ, ৱারীদুদা প্লোত অমা ওইনা শীজিন্নরিবা, পন্দবা য়াদ্রবা ৱাহৈ অমা ওইবনা, খ্বাইদগী চূনবা ৱাহৈ-ৱাপা থিরকপদা থেংনখিবা অৱাবদু নীংশিংলক্তুনা ৱাহৌ ওইনা ইথোকখ্রিবনি। অনৌবা প্লোত, অনৌবা থিম অমদি নত্তে। পোপ্যুলার ওইরবা, ইখঙ খঙনরবা প্লোত অমনি। চহী তরেৎ নিপান পৎ-তৎনা, হকচিন্না-নুংশিনরম্লগা, শেন্নহৌদ্রবা মীকূপ অমদা নুপী অদু অতোপ্পা নুপা অমদা লুহোংথোকখিবদগী ঙাওচৎনরক্লবা নুপা অমগী মওং মতৌ শৈথারকপদা, নুপাদুগীদমক ৱাজরবা মমানা তূম্বা-চাবা চঙদ্রবা মচানুপাদু সাইকিয়াট্রিষ্ট অমগী মনাক্তা পুরকপগী মতাংদুনি। দাক্তরনা পাখংমচাদু ঈংনা কাউন্সেল্লিং তৌরকপা মতাংদুদা, দাক্তরগী ৱাহৈ অমখক্তা- অপনবা লৈতনা জিরি-জিরি তৌরম্বা ট্রান্সলেসন’দু ব্রেক খংফা ফাখি... ‘নোকমি নোকমি তৌরগা দাক্তরদুনা হায়রকই- করিগীনো নঙনা নুপী অমখক্তা কোয়রিবদি, নুপী হায়বসিদি মতম অমত্তদা মঙা তরুক কোয়গদবনিনে, অমা কায়নরবসু কায়নবগী অকনবা চৈনাদু থম্মোয়দুদা লাংদনবা- দাক্তরদুনা অদুম হায়দোরক্কনি থাজখিদে’...। ঐগী ৱারীমচাদুগী মরক্তা য়াওরম্বা ৱাহৈ পরেং অমনি। পাউদমসিগী অহৌবদা পঞ্জখ্রিবদু- মতমদুদা ঐনা ৱাহৈগী উমংদা লম্মুক্লখিবদুনি। পূক্লিংনা পেঞ্জবা ট্রান্সলেসন ৱর্ক হায়বদু ওইখিদে। পাঙনা-শানবা, অফংবা ৱাহৈ খরা শীজিন্নদুনা হনখিবনি। ঙসিসু থিরি-নুপী কোয়বা হায়বসিগী চপ চাবা, ওইফম থোকপা ৱাহন্থোক! অসুম খঞ্জিল্লুবদগী, ৱারেং অসিগী মরু ওইবা থিম অমা ওইহল্লগে খল্লকখিবনি।

নুপী কোয়বা! অদুঙৈ, ইরমদম লমদম অসিদা য়ূমকোক, মীকোক য়ামদ্রিঙৈ চৎনবী অমা ওইনা লৈরম্বা- মপুম মরৈ ফারক্লবী লৈশাবী লৈবা ইমুং অমদা পাখং ওইবা তম্বা অমনা কোয়বা চৎলগা ‘ঐনা নঙবু খোয়দারে’ হায়বা ইঙ্গিৎ উৎলুবা... নুজা ওইবী মানসু মীৎয়েং- নায়েং, ৱাঙাং-শাঙাং, ইঙ্গিৎ-ইরাংনা ‘ঐনসু নঙবু খোয়দারে’, নৎত্রগা ‘পায়মসিনা খোয়দাদে, অমুক হন্না লাক্লনু’ হায়না পাউজেল পীনরিঙৈ মতমদুদা শেমখিবা ৱাহৈ, ৱাপা অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। চৎনবী অদু মাঙখ্র’সু, থম্মোয় মশেন পাউজেল থাবই চৎনবীদুদি মখা অদু চথহৌখি। খূৎফোঙদোক খেন্নবতনি, ইহুলদুদি অমত্তনি, নুংশিববু কাইহৌবনি। নুপাদুনা কাইহৌবা, নুপীনা রেসিপ্রোকেৎ তৌরকপা- এক্সন রিএক্সন অদুবুনি ‘কোয়নবা’। ‘নুংশিনবা’ হায়বদুগী মহুৎ-ৱাহৈ অমনি।

অদুবু, ৱাহৈ অসি ময়ূম-মকৈ পান্দ্রিবা পাখংশিংনা শীজিন্নবগা, মতূ-মচা লৈরবা নুপাশিংনা শীজিন্নবগা, ৱাহৈসিগী ইমপ্লিকেসন মান্নদে। অহানবগীসিনা রোমান্তিসিজমনি, অকোনবগীসিনা ইরোতিসিজমনি। ৱাহৈ অসি নুপী ওইবীশিংনা পামদবা, তূক্কচ্চনবা ৱাহৈ অমা ওইরবসু, নুপা মশেন মরক্তদি ৱাহৈ অসি শীজিন্নবা ঙম্বা মীশক্তু মতিক লৈবা, তৌবা ঙম্বা মীশক অমগুম লৌনৈ। গভর্ণমেন্টকী অচৌবা ওফিসরশিং, থীকাদার-এঞ্জিনিয়র-মিনিষ্টরশিংতনা তৌবা ঙম্বা থোইদোকপা মগুন অমগুম লৌনৈ।

ঐগী মরুপ খরা লৈ। মখোয়না হায়- ‘নুপী কোয়বা’ হায়বা থবকসি, পুন্সিবু নুংঙাইনা থম্নবা, পুন্সি শাংদোকহন্নবা, কান্নবা লাইৱা অমনি। অতোপ্পা মরুপ খরনা হায়- তৌহৈদবা, পাপকী থবক অমনি। নুপীশিংনা হায়- ‘নুপী কোয়বা’ হায়বা, নুপাশিংনা পাম্না তৌনরিবা থবকসি নুপানা-লিংবা-খুন্নাই অমা শেম্নবগী মহয়নি, মখোয়না তৌরিবা থবকসি নুপীনসু তৌরক্লবদি খুন্নাই অসি করি ওইবা হৌননি? তশেংনমকসু, হেন্না ফোর্ৱার্দ ওইবা, চেল্লেঞ্জিং ওইবা নুপী মখল খরসু থোক্লক্তবা নত্তে। ৱারী কয়া তাখিবা লৈ। অদোমসু তাবীরমগনি।

অদুবু, নুপা মখল খরসু লৈ- নুপী কোয়বা হায়বসি হ্যুমেন রিলেসন্সিপ মখল অমনি খনবা, য়ূমগী নুপীগা লৈনফম থোকপা মরী অদুসু তৎনদনা থল্লগা অতোপ্পা নুপী অদুগসু তৎনদবা ইমোসনেল রিলেসন্সিপ অমসু অদুম থম’ঙম্বা... অনীশুবা নৎত্রগা অহুমশুবা নুপী ওইনদি কৈদৌনুংদা লৌশিন্দবা! অনীশুবী নৎত্রগা অহুমশুবী অতোনবী ওইনা য়ূমদা পুশিল্লক্লবা, নৎত্রগা অতোপ্পা য়ূম শাদুনা/লীংদুনা থল্লক্লবা... তাঙ্কক অদু য়ৌরক্লবা করিগুম্বা, মতমদুদদি ‘নুপী কোয়বা’ কৌদরে।

# কোভিদ-১৯গীদমক

লৌশিং পুক্কে

## খ্বাইদগী কান্নবা ফংবা নীংশা কাঙলোনশিং-১



নীংশা হোনবগী শাজেলশিংনা মীওইবগী লংসপু মথৌ হেন্না নিংথিনা তৌবা ঙমহল্লি অমদি কোভিদ-১৯ দাইগ্নোজ তৌদ্রিঙৈ মমাঙ নারিঙৈ মনুং অমসুং নারুরবা মতুংদা লায়না অসিনা পীবা চৈথেংশিং অদুবু হন্থহনবদসু কান্নবা ফংবা য়াই।

**নীংশা-শাজেলশিংগী কান্নবশিং**

কুমজা ২০১৮গী রিভ্যু অমগী মতুংইন্না, নীংশা তপ্পা হোনবগী কাঙলোনশিংনা পেরাসিম্পেথেটিক নর্ভস সিষ্টেমদা এফেক্ট তৌই হায়বগী খুদম-চাংদম লৈ, সিষ্টেম অসিনা ষ্ট্রেস লৈবা মতমদা ঐখোয়গী ‘ফ্লাইট ওর ফাইট’ রেস্পোন্স পুথোকহনবা ঙম্মী অমদি ঐখোয়গী পুক্লিং-ৱাখল ইংথহনবদসু মতেং পাংই।

মসিদা নত্তনা, নীংশা তপ্পা হোনবনা এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন, অশাওবা অমসুং ৱাখল চমম্নবা হন্থহল্লি হায়বদু রিভ্যু অদুনা থেংনখি।

অদুমওইনমক, রিভ্যু অদুগী ওথরশিংগী মতুংইন্না পেরাসিম্পেথেটিক নর্ভস সিষ্টেমগী মতাংদদি অতোপ্পা মেথদশিং (খুদম ওইনা হীরী কোনবা)গা পূনবা নত্তবদা নীংশা তপ্পা হোনবগী কাঙলোন অসিখক্তংগী ওইনা কয়ামুক য়াম্না ইফেক্টিভ ওইবগে হায়বসিদি অহেনবা রিছার্স তৌবা মথৌ তারি হায়রি।

কুমজা ২০১৭গী অতোপ্পা ষ্টদি অমদা দাইফ্রাগমেটিক ব্রিধিং (দিপ ব্রিধিং এক্সর্সাইজশিং)গী মরমদা য়েংশিনখি অমদি মদুনা কোগ্নিটিভ পর্ফোমেন্স ফগৎহনবা অমদি ষ্ট্রেসকী চৈথেং হন্থহনবা ঙম্বগী মওং অমা য়াওই হায়বা থেংনখি হায়রি।

অহেনবা ষ্টদিশিং তৌবা মথৌ তারগসু, ইশাগী লংসপু হেন্না মথৌ হেন্না নীংথিনা তৌবা ঙমহনবগী মথক্তা, নীংশা-শাজেলশিংদা ষ্ট্রেসনা হকচাং অমসুং পুক্লিং-ৱাখলদা পীবা চৈথেংশিং মায়োক্লবদা মতেং পাংবা ঙম্বগী মচাক য়াওই, লোয়ননা রিলেক্সেসনসু হেনগৎহল্লি হায়রি।

**নীংশা-শাজেলশিংনা কোভিদ-১৯দা করম্না মতেং পাংবগে?**

কোভিদ-১৯ লায়না অসি মীওই অমগা মীওই অমগা মান্নদবা মওং উৎলি হায়বসি ঐখোয়না খঙলে। লংস অমসুং নীংশা হোনবগী লম্বীদা ইনফ্লেমেসন তৌবা হায়বসি নীংশা হোনবা ৱাহন্নবগী তোয়না থেংনগনবা লাইওংশিংনি। হায়রিবা লাইওংশিং অসি কন্দনা, ময়ায় ওইরপ কন্না অমসুং য়াম্না অকনবা/শাথিবা মওংদা নাবা কোভিদ-১৯দা লৈবা য়াই।

মসিগী ভাইরেল ইনফেক্সন অসিনা মরম ওইরগা য়াম্না কন্না নারবা মীওইশিংদা লায়না অসিগী মহৈ অমা ওইনা ন্যুমোনিয়া নাবা য়াই। মসিনা লংসতা মহীগী শরূকশিং অমসুং ম্যুকস য়াওশিল্লগা লৈহন্দুনা নীংশা হোনবদা অমুক্কা হেন্না ৱাহল্লি অমদি হকচাংগী ফঙ্কসনগীদমক মথৌ তাবা ওক্সিজেন ফংনবা হোৎনবদা হেন্না ৱাহল্লি।

করিগুম্বা ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পুলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) নৎত্রগা ময়ায় ওইরপ্পদগীনা অকনবা মখলগী অজমাগুম্বা অনাবশিং লৈবা মীওই ওইরবদি, লংস কেপাসিটি হান্ননা হন্থরমদুনা নীংশা হোনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা য়াই।

হায়রিবা ফিভমশিং অসিনা লংসকী ক্রোনিক ইনফ্লেমেসন তৌহল্লি, মসি সার্স-কোভি-২ ভাইরস কোন্ট্রেক্ট তৌরবা মতুংদা কোভিদ-১৯ দিভেলপ তৌরক্লবা মীওইশিংদদি য়াম্না ফিভম শোকচিল্লকপা য়াই।

কোভিদ-১৯না রেস্পিরেটরি ট্রেক্ট শিনবা থুংবদা শোকহল্লি, মসিনা নীংশা হোনবগী লম্বীদা অমুক্কা হেন্না অথিংবা পী। মসিনা অজমা এটেকটশিং থোকহল্লকপা য়াই অমদি একুট রেস্পিরেটরি দিষ্ট্রেস সিন্দ্রোম (এ আর দি এস) নাহল্লকপা য়াই। লংসপু শেংদোকপা অমদি লংস ফঙ্কসন মপাঙ্গল কনখৎহনবা দিপ ব্রিধিং এক্সর্সাইজশিং অসি মরুওইনা হায়রিবা অনাবশিং অসি লৈবা মীওইশিংগীদমক কান্নবা য়াই।

দিপ ব্রিধিংনা মতেং পাংবা ঙম্বা অতোপ্পা লম্বীশিংগী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি:

- লংসকী মনুং য়ৌনা ওক্সিজেন য়ৌহনবা, মসিনা ম্যুকস অমসুং অতোপ্পা মহী-মনাংশিং শেংদোকপদা মতেং পাংবা ঙম্মী।
- লংসকী মখাদা লৈবা মরুওইবা রেস্পিরেটরি মসল ওইরিবা দাইফ্রামগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।
- মথৌ য়াম্না তারিবা ওক্সিজেনবু ঈগী ঈচেলদা পুশিন্দুনা লংসকী কেপাসিটি হেনগৎহল্লি।
- পুক্লীং-ৱাখল হেন্না ইংথহল্লি, মসি মতম কুইনা নাবা অনাবা অমদি রিকোভরিগী খুদোংচাদবশিং থেংনবদা কান্নবা ফংবা য়াই।

**নীংশা কাঙলোনশিংনা সার্স-কোভি২ ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংবরা?**

নীংশা-শাজেলশিংনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্তে অমদি মসি মাস্ক উপ্পা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা নৎত্রগা ভেক্সিন কাপ্পনচিংবগী মহুত্তা শীজিন্নবদি তৌরোইদবনি।

অদুমওইনমক, নীংশা-শাজেলশিংনা লংস মপাঙ্গল কনখৎহনবদা মতেং পাংই, মসিনা ঐখোয়গী রেস্পিরেটরি সিষ্টেমদা কোভিদ-১৯না পীবা চৈথেংশিং অদুবু হন্থহনবা য়াই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# অয়াংবম ওকেন মীখলদা মায় পাকহন্ননবা নেপালি গুর্খাশিংনা থৌনিখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা সেকমাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা অয়াংবম ওকেনবু মীখলদা মায় পাকহন্ননবা এ সী অসিগী মনুং চনবা কংলাতোংবীদা লৈবা নেপালি গুর্খাশিংগী পন্দিত পুরোহিত ২৮না নুমীৎ মরিনি চুপ্পা লাইশোন-তিনশোল তৌদুনা থৌনিখ্রে।

সেকমাই বোট্টলিং প্লান্ট মনাক্তা লৈবা কংলাতোংবী টিস্পরিদা লৈবা সোসল ৱার্কর অয়াংবম ওকেনগী য়ুমদা হৌখিবা দিসেম্বর ২৫দগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবা নুমীৎ মরিনি চুপ্পা পন্দিত ২৯না শরুক য়াদুনা চথরকপা চান্দি পাথ, রুদ্র অভিসেক গীতা পাথ, বেদা পাথ অমদি হৱন পূজা অদু ঙসি লোইশিনখিবনি। লাইশোন-তিনশোলগী থৌরম অদু লোইশিনবগী থৌরমদা কংলাতোংবী টিস্পরি এরিয়াদগী লাকপা নেপালি গুর্খাগী শক্লাইনরবা লুচিংবশিং য়াওনা য়াল্লবা নেপালি কয়ানা শরুক য়াদুনা ওকেনবু মায় পাকহন্ননবা মপুদা থৌনিমিন্নখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কংলাতোংবী এরিয়াদা লৈবা নেপালিশিংগী শক্লাইনরবা লুচিংবা দরনাথ খারে হায়খি, লাক্লিবা এসেমব্লী মীখল অসিদা অয়াংবম ওকেনবু মায় পাকহন্ননবগীদমক লাইনিং-লাইশোলগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। সেকমাই এ সীবু হীরম কয়াদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগদবা, মতম পুম্ন মক্তা মীয়ামগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌগদবা অমদি তৌদুনা লাক্লিবা অয়াংবম ওকেনবু মায় পাকহন্ননবা কংলাতোংবীগী নেপালি গুর্খা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপকনি। কংলাতোংবী এরিয়াগী নেপালি গুর্খাশিংনা মহাকপু মায় পাকহন্ননবগী ৱারেপ অমসু লৌরে। মফম অসিদা নেপালি গুর্খাগী ভোটর লিশিং ৭ রোম লৈ। হায়রিবা গুর্খা ভোটরশিং অসিগী হোম পোল এরিয়াগী মীরেপ ওইরিবা ওকেনবু মায় পাকহন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়নসু দরনাথ খারেনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অয়াংবম ওকেননা হায়খি, সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কেম্প্যেন চৎলুবা মতমদা মীয়াম্না শৌগৎপীরকপা অমসুং মীখল মায় পাক্লনবা য়াইফ মঙ্গোল পীবীরকখি। কংলাতোংবী এরিয়াদা নেপালি গুর্খা কয়ানা মহাকপু অমত্তা ওইনা শৌগৎপীরকপা অমসুং মায় পাকহন্ননবা থৌনিবীবা অসিগীদমক থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা এৱার্দ কয়া ফংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : দিসেম্বর ২৭ অমসুং ২৮দা নুমীৎ নীনি চুপ্পা বিহারগী পত্নাদা চথখিবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)গী ৯৬শুবা নেসনল কনফরেন্স আই এম এ নেটকোন ২০২১দা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা এৱার্দ কয়া ফংলকখ্রে হায়রি।

হীরমসিগী মতাংদা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. এন জি অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কনফরেন্স অসিগা মরী লৈননা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চতা আই এম এ মেম্বরশিপ দ্রাইভকীদমক আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এপ্রিসিএসন এৱার্দ, ঈ-মেল অমসুং মোবাইল নম্বরশিং অপদেট তৌবগীদমক আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এৱার্দ পীরক্কে। লোয়ননা ডা. জুগিন্দ্র সোরোখাইবমদনা আই এম এ জগদিশ্বরি মিশ্রা ওরেসন এৱার্দ, ডা. রাজেন্দ্র সিনামদা আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এপ্রিসিএসন এৱার্দ ফোর লাইফলোং সর্ভিসেস, ডা. অরুনকুমার ঙাংঙোমদা আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এপ্রিসিএসন এৱার্দ ফোর বেষ্ট আই এম এ প্রোজেক্ট, ডা. নেসনল লোইতোংবমদা আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এপ্রিসিএসন এৱার্দ অমসুং ডা. অশাংবম বিবেকানন্দদসু আই এম এ নেসনল প্রসিদেন্টস এপ্রিসিএসন এৱার্দ পীরকখি।

থৌরম অসি বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা হৌদোক্তুনা পাঙথোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


# সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ৱারেপ শৌগৎকনি হায়রক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন সেন্ট্রেল কম্মিটিনা মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,০৫০গী য়াইফননবা অফবা য়ুনিফোর্ম সর্ভিস অমা ওইননবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অমদি লৌরক্লিবা ফিরেপ খূদিংমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শৌগৎকনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অব্দুল লতিফনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী অসিগী মার্চ ৬তা এম এস এফ দি এসতা পাঙথোকখিবা ভি দি এফকী ১২শুবা রাইজিং দে নুমীৎকী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ভি দি এফশিংগীদমক তৌবীগনি হায়না লাউথোকপীরম্বা ৱাফম কয়া ঙাকপীরক্তবা অসি ভি দি এফশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওজে। সী এমগী পাউতাক মতুংইন্না প্রোসেস তৌরিবা ফাইল অসিদা পুলিস দিপার্টমেন্টনা মচা-মনাওনি খনবীরক্তবা অমদি ভি দি এফ রিক্রুট তৌখিবা ১৮৬১ পুলিস এক্ট সেক্সন ১৮বু পুলিস দিপার্টমেন্টনা নমশিল্লগা থম্বা, ভি দি এফশিংবু নমথবীবগী ময়েক লারবা খুদমনি। ঙসি ফাওবদা ভি দি এফশিংদা কন্সটেবল অমগুম পুলিস ওফিসরশিংনা পীরকখিবা ওর্দর ইনখিদবা য়াওখিবরা নীংশিংহন্নিংই। মণিপুরগী কাচিন-কোয়া, লৈঙাক্কী ওফিস, ভি আই পিশিং অমদি ভি ভি আই পিশিংগী এস্কোর্ট ষ্টেসন, ও পি কয়াদা অহিং-নুংথিল খাক্তনা পুলিস ওফিসরশিংগী য়াথং ইন্দুনা মথৌ তৌজরিবা ভি দি এফশিংবু মথৌ তৌরি হায়না ফাইল প্রোসেসতা হায়নিংদবা পুম্নমক্কী লাইবক থীবনি। ভি দি এফপু উকাই তক্তুনা শীজিন্নরগা পুলিসকা য়ুনিফোর্ম মান্নে হায়দুনা ভি দি এফ নত্তে হায়বীগদৌরিব্রা। য়ুনিফোর্ম সর্ভিস অমদা চঙদবা য়াদ্রবা সর্ভিস সিক্যুরিটি লৈহনবা, সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্বীবা, আউটষ্টেন্দিং পর্ফোর্মেন্স ফেসিলিটি পীবীবা, থা ১৩গী পে পীবনচিংবগী মতাংদা কেবিনেট মীফমদা পুথোক্তুনা ৱারেপ লৌবীদ্রবদি জন্যুৱারী ৪দগী চঙশিল্লকপা খোঙজংদা এসোসিএসন অসিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

ꯃꯤꯅꯣꯏ ꯁꯞꯣꯔ꯭ꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐ.) ꯗ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



(Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/20-Yairipok Keithel গী Laikhuram Awang Leirak নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 15 না শাবা Women Volunteer Group হায়বা Committee অমা শেমজরে।

হায়রিবা Committee অসিনা Central Govt.বু লুচিংলিবা Prime Minister Shri Narendra Modi বু Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২ গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Candidate অমা ওইনবা থৌরাংজরিবা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang বুসু শৌগৎচরি।

শৌগৎচরিবশিং :-

1. L. Tony , President

2. L. Rani, Secretary

HL-P/0903/29

ꯃꯤꯅꯣꯏ ꯁꯞꯣꯔ꯭ꯠ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐ.) ꯗ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



India গী Prime Minister Shri Narendra Modi না লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া-কয়া মায় পাক্লা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবা মীয়াম্বু মতেং পাংনবগী পান্দমদা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/20-Padeshori Group কী নুপীশিংতগী ওইবা মেম্বর 11 না শাবা Women Volunteer Group/Committee অমা শেমজরে।

ঐখোয়গী Group/Committee অসিনা লৈবাক অসিগী Prime Minister Shri Narendra Modi গী মফমদা তৌবিমল খঙবা অমদি Support তৌবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু পূকচেল শেংনা Support তৌবা ফোঙদোকচরি।

Support তৌজরিবশিং :-

1. Y. Padeshori Devi, President

2. K. Abethoi Devi, Secretary

HL-P/0998/29

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১২।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা;
পোইনুগী ২৫ নি পানবা।

মেষ: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা অমদি থেংলপ্পা নথক থোংবনা চানবীগদবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নগনি। অশাওবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ: অয়ুক্তা নিংবা থুংবা, মীনা থাগৎপিবা অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগদবা খোঙশাল লৈ। থেংলপ্নদি ৱা য়াম্না ঙাংদবা, য়েৎনরুদবা অমদি পংশিন্নবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নচা-ননাই নৎত্রগা মীয়ামগী মতেং লৌরগা অরুবা থবক পাঙহৌবা অশিংবা তাগনি। অতোনবা অমদি শকখঙদবনা হায়বা-ঙাংবদি পংথা-থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরিদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: মীয়ামগা মরি ফবা খরা ৱাৎকনি-ঈরাং পুগনু অমদি মরুপ খনবা হৈয়ু। অদুবু মীনা লাকচবদি ঙমলোই, নিংহন্নদনা পাঙলিবা থবক্তা চঙশিল্লু-লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: মরুপ য়াম্না লোয়নবা অমদি ৱানোম্বগী কান্নফম খঙলোই। থেংলক্লগদি চোপ্পা ইকাইবা নংবা য়াবদৈ কোকচরগনি অমদি নরল চাওখৎনবা মরম লাক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: শকখঙদবনা তাকপা-ঙাংবা লৌরদি ফত্তবা থবক তৌনিংগদবা নুমিৎনি-পংথগনু। য়েক্লবদি লায়না খুদুম চনগনি অদুবু মরুপ মপাংনদি কল্লকপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা: হরাওবা-নুংঙাইবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইবা নুমিৎনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি অমদি মীনা লাকচবসু ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: খোয়রাংবা অমদি খৎনবনা মাঙজবা নুমিৎনি। হন্থবনা মাঙনবা শীল্লক্কনি-ঈংথৌ অমদি মরম চাদনা খুৎ চাওবসু তৌগনু। মীংচৎতি তপ্পা লাক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু: মীংচৎতি হান্নগুম ফংনিংঙাই লৈ-নিংথিনা পোরম য়াৎলগা পাঙবা থবক্তগী কান্নবা ফংউ হায়বা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি হৈপা-শাবনা হান্নগুম মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মকর: নুংঙাইবা ফংবা, মীয়ামগী মতেংসু ফংবা অমদি থবক পাঙবা নুমিৎনি। অদুবু মহু চাওবনা নচা-ননাইদা ৱাহনবগী নুংঙাইতবা খরদি লৈগনি। লনদি চংই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মাঙলোমদা হান্নগুম চঙশিল্লু, কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি নাইতোম অরুবা ৱা তুপ্পা ঙমগনি। চরাংনবনা মাঙজবা অমদি অঙম্বনা ৱারৌবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন: অঙম্বনা চানবীগনি, লেঙদবা লন চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈ অমদি মরুপ মপাংগী মতেং পান্নদি লৌবা য়াগনি-থবক পাঙবা হেনগনি। চরাংনবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।